# রসিয়ানা য়ুক্রেন লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবসু য়ুক্রেনিয়নশিংনা অকিবা অমত্তা পোক্ত্রি : রিপোর্ট



কি্যভ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম অমদা হেক্তা লান থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না য়ুক্রেনগী মীয়াম্না থাজনরবসু মখোয়না রসিয়াবু অকিবা পোকপা নৎত্রগা লাননা মরম ওইরগা চৈথেং কয়া পীরকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা নাচুংবা অমত্তা তৌদনা লৈরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা অখন্ননা চত্থখিবা থিজিনবগী থবক থৌরম অমগা মরী লৈননা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুক্রেন ঙমখৈগী শরুক্তা খুন্দারিবা খুঞ্জা ইভান রুদেনকো কৌবা অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ৮গী মমাংদগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্তুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী তাইনরিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১৩,০০০ হেন্না শিখ্রে। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসি ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা খঙই। অদুবু মসিদা ঐখোয়না কা হেন্না অকিবা পোক্লুবা লৈতে। মীওই অয়াম্বা হৌজিক খৃষ্টমাস কুম্হৈ নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা মাগী মাগী অকোয়বশিং ফজহন্নবা হোৎনরি। লান থোরক্কনি হায়বগী করিসু অকিবা লৈতে হায়রি।

অমরোমদা ঙমখৈগী শরুক্তা রসিয়ান ট্রুপ কয়া দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরি। মখোয়না মতম অমদা হেক্তা লান্দারকপা য়াই। মতম অদুদা খ্বাইদগী হান্না অৱা চৈথেং ফংগদৌরিবা অসি ঐখোয়নি। অদুবু অসিগুম্বা মখলগী অৱাবশিং অসি ঐখোয়না মমাংদা কয়ারক হন্না মায়োক্লুদুনা লাকখ্রে। অদুগীসু মথক্তা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা য়ুক্রেনগীদমক লেপ্লিঙৈদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না রসিয়াগী অকিবা পোক্তে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরকখি হায়না রিপোর্ট অসিদা পল্লি।

# পুলিসতা শেল পীজবা অসি ভিয়েটনামগী ওইনদি ব্যুজিনেসকী শরুক অমা ওইনা লৌনরি

হানোই, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা করপসনগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লি। লৈবাক লৈবাকশিংগী ওইনা লৈরিবা লুচিংবশিং থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মতুং শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা চেন্নরম্বদগী জেলদা ফাওবা লৈবা য়াওনরি। অদুবু ভিয়েটনামগী ওইনদি পুলিসতা শেল পীজবা অসি ব্যুজিনেসকী শরুক অমা ওইনা লৌনরি।

মরুওইনা ভিয়েটনামগী কোনুং হানোইগী অকোয়বদা অমদি মনুংদা ফল্লিবা দুকান, রেষ্টুরেন্ট অমদি চল্লাইরিবা ব্যুজিনেস কয়া গভর্নমেন্টনা পীরিবা লমগী শরুক্তগী হেন্না শিজিন্নরি। মসিনা মরম ওইরগা পুলিস রাউন্দ লাকপা মতমদা অহেনবা শরুকশিংদা পুথোক্তুনা থল্লিবা পোৎ চৈশিং মনুংদা পুশিল্লগা থমগনি। অদুগা পুলিস হেন্দোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং অমুক হন্না থাংদোক্তুনা হান্নগুম থবক মখা চত্থগনি। হায়রিবা অসি মফম মফমদুগী ওইনা লৈরিবা পুলিস ওফিসারশিংনা খঙই। অদুবু মখোয়না নোংমতা মী ফাবা পুনবগী থবক্তি তৌদে।

অমরোমদা ব্যুজিনেস তৌরিবা মীওইশিং অদুনা ওইনা মফম মফমদুগী লৈরিবা দুকান নৎত্রগা ব্যুজিনেস হৱশিং অদুগী মপুশিংনা শেল খায়জিন্নদুনা পুলিস ওফিসারশিংদা পীবগী চৎনবী অমা তৌরি। পুলিস ওফিসারশিং অদুনা মখোয়দা য়ামদ্রবগা শেনফম অদুক থাগী পীরক্কদবনি হায়বা ৱাফম থম্বা লৈতে। অদুবু করিগুম্বা মতমদা মখোয়না খায়জিন্নদুনা পীরিবা শেনফমশিং অদু য়াম্মী নৎত্রগা য়ামদে হায়বা ৱাফমশিং পুলিসনা ফোঙদোকপদি লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা পুলিস ওফিসারশিং অদু করপসনগা মরী লৈননা চার্জ অমত্তা তৌবা য়াদনা নুংঙাইনা মথৌ তৌরি। থা ৬ খুদিংগী ব্যুজিনেস তৌরিবা মীওই অমনা মফম অদুগী পুলিস ওফিসারদা য়ামদ্রবদা মিলিয়ন দোলর ২৬০ দি পীরি। করিগুম্বা মতমদা মীওই অমখক্তনা দুকানশিংদগী শেনফমশিং অসি খোমগৎলগা পুলিস ওফিসার অদুদা থিনবা চৎলি।

অমরোমদা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না করপসন ৱাংবা লৈবাক ১৮০গী মনুংদা ভিয়েটনামনা ১০৪ শুবদা লৈরি। হায়রিবা অসি মমাং চহীগী রিপোর্টনি। অদুবু লৈবাক অসিদা করপসনগা মরী লৈনবা অনৌবা লো অমা শেমখিবদগী হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে হায়রি।



# নেস্নল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা মীওই ১১৭ ফাখি

হোং কোং, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
মমাং চহীদা বৈজিংনা হোং কোংদা ইমপোজ তৌখিবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা হোং কোং ওথোরিটিনা লৈবাক অদুগী মীওই ১১৭ হেন্না ফাজিনখি হায়রি। ওথোরিটিশিংনা ফাজিনখিবশিং অদুগী মনুংদা ৬০ হেনবদি দিমোক্রেটিক পোলিটিসিয়ন, এক্তিভিষ্টশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনি।

মমাং চহীগী জুন ৩০দা বৈজিংনা হোং কোংদা অনৌবা সেক্যুরিটি লো অসি ইমপোজ তৌখিবনি। হোং কোংদা প্রো দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংনা য়াম্না তোয়না খোঙজং চঙশিনবা অমদি ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া চত্থরকপনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লাকপদগী অনৌবা লো অদু ইমপোজ তৌখিবনি। হোং কোং সিক্যুরিটি ব্যুরোনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো ইমপোজ তৌখ্রবা মতুং ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে অমদি হান্নগী ফীভমদা মপুং ফানা হঞ্জিল্লকপা হৌরে। হোং কোং ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং অদু মরালগী মতুং ইন্না ফাবনি। হোং কোং ওথোরিটিনা লৈবাক অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিং ফাবা পামদে। অদুবু তঙাইফদনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভমদা অকায়বা লাক্তনবগীদমক কা হেনবা থৌওং চত্থখিবা মীওইশিং অদু ফাজিনখিবনি।

পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবসি চহী ১৫ নি অদুগা খ্বাইদগী অহল ওইনা চহী ৭৯ নি। মখোয়গী হকচাংগী ফীভম করিসু খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রি। ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী হকচাংগীদমক য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়রি।

# অৱাবা তারবা অফঘান মীয়ামদা মতেং পাংবদা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে



জেনেভা, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা চহী দিকেদ অনীরোম থোক্তুনা লাকখিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা লাননা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখ্রবা মতুং টালিবান লৈঙাক লাকশিনবদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরি। মীয়ামগী অৱাবা অদুবু মতেং পাংনবগীদমক মায়কৈ কয়াদগী মরুওইনা য়ু এসনা হৌদোরকখিবা ৱাফম অমা য়ু এননা কুপ্না খন্নরবা মতুং লৈবাক অদুদা মতেং পাংবদা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে হায়রি।

চহী অসিগী ওগষ্ট থা ময়ায় চল্লকপদগী অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখিবনি। লৈঙাক অসি লাকখ্রবা মতুং ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা লৈবাক অসিগী য়াম্লবা এসেটশিং ফ্রিজ তৌবগা লোয়নননা এইদকী শেন্থং কয়া ফাজিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরক্লিবা অসিগী য়েংলগা অফঘানিষ্টানদা মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু মতেং অসি টালিবানশিংগী খুত্থাংদা পীরোই। হান্না পীখিবা অদুগুম্না রাইটস গ্রুপশিং অমদি এইদ গ্রুপশিংগী খুত্থাংদা অফঘান মীয়ামদা মতেং ফংহল্লগনি।

অমরোমদা টালিবান লৈঙাকপু হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা রিকগনাইজ তৌদ্রিবা অসিগী মতাংদসু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা খন্নখি। খন্নখিবা অদুদা চহী অমদি লৈঙাক অসিগী মওং মতৌ য়েংবগা লোয়নননা য়ানখিবশিং ঙাক্লা চৎলি চৎতে হায়বগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুং রিকগনাইজ তৌবগী ফিরেপ লৌগনি হায়রি।

# মাইনরশিং শিরম্লগনি থাজনরি

কাচিন, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা ঙরাং থোকখিবা জেদ মাইন নিংখায়বগী থৌদোক্তা থিবা ফংদনা লাকখিবা মীওইশিং অদু শিরম্লগনি হায়বা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মখোয়গী হকচাংশিং থিবগী থবক মখা তানা অকনবা মওংদা চত্থরি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফয়ার দিপার্টমেন্টকী চীফ পি য়েননা ফোঙদোকখিবদা, জেদ মাইন অদু নোং কা হেন্না চুখিবনা মরম ওইরগা নিংখায়রকখিবনি। মাইন অদু নিংখায়খ্রবা মতুং মীওই ১০০ রোম থোরকপা ঙমদনা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনখিবনি। অদুবু তুংদা মীওই ৫০ রোম ওইরম্বা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি হৌজিকসু থিবা ফংদ্রি। মাইন অদুগী শরুক অয়াম্বা লৈখোম লৈনাংনা ফুমজিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। অমরোমদা মাইন অদুদগী ঙরাং রেস্ক্যু তৌখিবা মীওই ২৫ গী মনুংদা ১ দি লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে। অনীগী ফিভম লুনা লৈ হায়রি।

# ওমিক্রোনগী মতাংদা মীয়াম্না ইচম চম্বা ফিগী মাস্ক উপ্তনবা এক্সপর্টশিংনা অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌরক্লি

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী লৈবাক ১০০ রোমদা চৈথেং পীবা হৌখ্রে। থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লিবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি ভেরিয়েন্ট অসিগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা মীওইবা খুন্নাইনা হান্নগী হৌনা ফেস মাস্ক শিজিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী ওইনদি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শিজিন্নরিবা মচু কয়াগী ওইবা ইচম চম্বা ফিগী মাস্কশিং শিজিন্নবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা য়াই। মরম অদুনা ফিগী মাস্ক অসি শিজিন্নরোইদবনি হায়রি।



য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দতা প্রাইমরি হেল্থ ক্যের সর্ভিসকী প্রোফেসার ওইনা লৈরিবা ট্রিস গ্রিনহালনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা পুথোক্তুনা খুদক্কী ওইনা শাদুনা য়োল্লিবা মচু মচুগী ওইবা ফজরবা ফেস মাস্ক অসি য়াম্না কান্নবা য়াই নৎত্রগা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা য়াই। মসিদি মাস্ক অদুবু শাবদা শিজিন্নরিবা ফাইবর অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুবু কন্মন ওইনা মীয়াম্না শিজিন্নরিবা মাস্ক অসিদি মশক ফজবদা য়েংলগা শিজিন্নবনি অমদি হায়রিবা অসি ইচম চম্বা ফিনা শাবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা খুদোংথিবা থোরকপগী চান্স য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়রি।

ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি থুনা য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্মী হায়বসিদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হান্না লৈরম্বা দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী ওমিক্রোননা শন্দোকপগী চাং থুবা হেল্লি হায়বা লৈবাক খরনা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

# য়ুক্রেনগী মতাংদা ৱারী শানবা রসিয়ানা খৌরাংনা ঙাইরি

মোস্কো, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসিগা মরী লৈননা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা রসিয়ানা দিমান্দ তৌখিবগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নেটোগা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অদুনা ৱারী শানবা রসিয়ানা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈ হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গৈ লাভরোভনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা ৱারী শান্নগনি। অদুবু রসিয়ানা হান্না সিক্যুরিটিগী মতাংদা তৌখিবা দিমান্দ খরদি য়াবা ঙম্লোইদবা ৱাফম্নি হায়না য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়ানদবা কয়া লাক্লবসু ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়বসি রসিয়াগী থাজবনি। অদুবু রসিয়াগী সিক্যুরিটি অমদি সোভরেন্টিদা শিংনরক্লবদি মদুবু চপ চানা থেংননবা লৈবাক অসিনা শেম শাদুনা লৈরি। তঙায়ফদ্রবদি অয়েৎপা পীরক্লিবা লৈবাকশিংদা সিক্যুরিটিগী ওইবা এক্সনশিং লৌখৎলকপা ফাওবা য়ানা লৈরি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মথক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চত্থখিবা লৈতে। লন্নাই ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা খরনা রসিয়াবু লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা থবক অসিসু খুদক্তগী লেপকদবনি হায়রি।

# মিলিটরি জেনরেল মিন অংগী পোষ্টরশিং মৈ থাদুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে

য়াঙোন, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টাগী লুচিংবা মিন অংগী কা হেনবা ফিরেপশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মফম মফমশিংদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়নননা মিলিটরি লুচিংবা মিন অংগী পোষ্টরশিং মৈ থাদুনা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া লাউখ্রে।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দা মিলিটরিনা মীয়ামগী লুচিংবা ওং সান সু চিবু মফমদগী নম্ফুদা লৌথোকখ্রবা মতুং মিলিটরি জুন্টা লাকখিবনি। লৈবাক অদুদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং মীয়াম্না পেন্দবগা লোয়নননা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মিলিটরি অমদি মীয়ামগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোকখি। হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,৫০০ রোম শিহনখ্রে। অদুগা ১৫,০০০ রোম্না ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না লোকেল মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ম্যান্মারদা মীয়াম্না মিলিটরি লুচিংবা মিন অংগী পোষ্টরশিং মৈ থাখিবগা লোয়নননা মহাক্কী অয়েকপা শক্তম লৈরোন চনবগী থবক অমসু পাঙথোকখি। য়াঙোনদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা লুচিংবা অসিগী ফোটো পায়দুনা মীয়াম্না চৎলিবা অসি হৱাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা নত্তে। লুচিংবা অসিবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না থুনা শিখিবা পাম্মী হায়বদু উৎপনি হায়রি।

মন্দলেদসু খোঙজংলোয় কয়া থোরক্তুনা লুচিংবা অসিগী পোষ্টরশিং মৈ থাখিবগা লোয়নননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লুচিংবশিং অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি। অমদি ম্যান্মারদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা খুদক্তগী লৈহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। নাকল অমরোমদা ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্সকী ওইবা মীফম অমা অমুক হন্না অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিনা হৌখিবা ওক্টোবর থাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৌখিবা ফিরেপশিং ম্যান্মার মিলিটরিগর লুচিংবনা য়াখিদবগা লোয়নননা ম্যান্মারদা এসোসিএসন অসিগী দেলিগেসন টিম অমা থাজিন্নবা হোৎনখিবা অদুদসু অথিংবা পীবা লৈখ্রে। অমরোমদা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা ম্যান্মারগী মথক্তা অথিংবশিং থম্বা হৌখ্রে।

# সেনিয়র ওফিসলশিংগা উনদুনা খন্নখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অননা লৈবাক অদুগী সেনিয়র ওফিসলশিংগা উন্নদুনা ইকনমিগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়নননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদসু মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি।

ষ্টেট মীদিয়া কে সী এন এগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভমদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি। মসিগী মথক্তা মালেমগী লৈবাক খরনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনা মরম ওইরগা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক কিমনা সেনিয়র ওফিসলশিং উন্নদুনা খন্নখিবনি হায়রি। নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌবা লৈত্রি। অদুবু লৈবাক অসিদা কোভিদকী কেস লৈরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মরমদি নোর্থ কোরিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ পাক শন্না শন্দোকপা হৌরকপা মতমদা চাইনাগা লল্লোন ইতিককী থবক থৌরম কয়া চত্থখি। লৈবাক অতৈশিংনা ঙমখৈগী শরুক থিংজিনখ্রবসু নোর্থ কোরিয়াদি মতম শাংনা ঙমখৈগী শরুক থিংদনা লাকখিবনি। অমরোমদা লৈবাক অদুনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ পুবা ঙম্বা খুৎলাইশিং লোগী ৱাংমদা য়াম্না তোয়না চাংয়েং চত্থখিবা অদুগী মায়োক্তা ৱাশিংটননা ইকনমিগী ওইবা থবক থৌরমশিং য়াওনা নোথকী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনি।


MANIPUR KHADI AND VILLAGE INDUSTRIES BOARD
LAMPHELPAT : IMPHAL

--------------

[illegible] / NOTIFICATION

Lamphelpat, The 28th November, 2021

**File No.MKB/APT/2010(Pt):** It is hereby notified to all the candidates who have responded to the recruitment notification No.MKB/APT/2010(Pt) dated 28-11-2021 that the Viva-Voce/Interview shall be held from 28/12/2021 to 31/12/2021 in the Office of MKVIB, Lamphelpat, Imphal. Admit card shall be issued to the applicants from 27th December 2021 onwards. Specific details of the pattern of examination shall be available from the Notice Board of MKVIB, Lamphelpat, Imphal.

Sd/- Th. Ebomcha Singh
Chief Executive Officer, I/C, MKVIB

HL-B/7380/24

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

[illegible] / **Advertisement No. 1/2021**

Dated, the 24th December, 2021

No.MU/5-124/2013/FCY: It is hereby notified that the Univerisity is inviting application for 78 (seventy eight) posts of Professor, Associate Professor and Assistant Professor for 34 Departments.

Last Date of online application is 24th January, 2022, UGC Regulations 2018 will be followed.

Details may be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in

**Sd/- Registrar**
Manipur University

HL-B/7379/24

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
(3rd FLOOR, NEW DIRECTORATE BUILDING, NEAR 2ND M.R. GATE, IMPHAL-DIMAPUR ROAD, IMPHAL, MANIPUR-795001, INDIA.)
CIN:-U4010MN2013SGC008343

[illegible] / **NOTICE**
Imphal 21st December, 2021

**No. 1/SDA MANIPUR/MANPOWER 2021-22/** It is hereby notified that, State Designated Agency (SDA) of Manipur (Manipur State Power Distribution Company Limited), invites applications for contractual engagement for a period of 3 months from 1st January 2022 to 31st March 2022 against the following posts. Interested and eligible candidates may kindly submit their updated resume with all the relevant documents to the office of the undersigned during working hours on or before **28.12.21.** Walk-in interview to be held on **29.12.21** at **11:00 am at the Conference Hall of MSPDCL, 3rd floor Secured building North AOC, Imphal near 2nd MR Gate.**

| sl.no. | Name of the Posts | No. of Posts | Education Qualification and Experience Required | Remuneration per month |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Senior Energy Consultant | 1 | AICTE/ Govt. approved Bachelor Degree in Engineering with minimum of 60% marks or equivalent grade in the engineering degree examination possessing a certificate of Energy Auditor/ Energy Manager from the Bureau of Energy Efficiency and having experience of handling activities related to Designated Consumers. The incumbent should also possess a minimum of five years' work experience in energy efficiency or its conservation and energy auditing. The experience may be relaxed in case of applicants possessing outstanding academic records from reputed institutes like IIT and Institutes of National Importance(INIS). | Rs 65000/- |
| 2. | Energy Consultant | 2 | AICTE/ Govt. approved Bachelor Degree in Engineering with minimum of 60% marks or equivalent grade in the engineering degree examination and a minimum of three years' work experience in energy efficiency and its conservation, energy auditing etc. Preference should be given to BEE certified Energy Auditor/ Manager. | Rs 50000/- |
| | | | The experience may be relaxed in case of applicants possessing outstanding academic records from reputed institutes like IIT and Institutes of National Importance(INIS). | |

Sd/-
Managing Director,MSPDCL

HL-B/7378/24